# ইন্দিয়ান নেশনল ৱিমেন্স হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল টিম শেম্বদা মণিপুরদগী নুপী শান্নরোয় ৩ খল্লক্লে







**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):** থাইলেন্দগী বেংকোকতা চহী অসিগী নবেম্বর ৫দগী হৌরগা ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া ওসিনিয়া জোন (এ ও জি) চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়ানবা ইন্দিয়া নেশনল ৱিমেন্স বাস্কেটবোল টিম শেম্বদা মণিপুরদগী নুপী শান্নরোয় অহুম খল্লকখিবগা লোয়ননা ওফিসল অমা য়াওরগা পুন্না মীওই ৪ খল্লক্লে।

হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল এসোসিএশন (দব্লিয়ু বি এ এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি য়ুনুস খানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু বি এফ আই)না ইন্দিয়ান নেশনল টিম শেম্বদা খল্লকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয় অহুম অদুদি শীংজমৈ এ সীগী মনুং চনবা শীংজমৈ চীংঙামথক্কী চকপ্রম লোকেশ্বরি, ওইনাম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ইরেংবমদগী ইরেংবম রিতু অমদি শেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা হাওরং খুনৌদগী মাইমোম গুনিবলানি। অদুগা ইন্দিয়ান টিমগীদমক মণিপুরগী টিম কোচ ওইনা লৈরিবা এম দি য়ুনুস খানবুনা ইন্দিয়ান নেশনল টিমগী ফষ্ট এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা খল্লকখিবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, ইরমদম অসিগী ফিজিগী মণিশিংবু নেশনল টিম শেম্বদা খল্লকখিবা অসি লমদম অসিগী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি অমদি দব্লিয়ু বি এ এমগী মায়কৈদগী হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকই। হায়রিবা এসিয়া ওসিনিয়া জোন চেম্পিয়ন্সিপকীদমক হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ওক্টোবর ১৪-৩০ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশকী বিসাখাপটনমদা লৈবা এ এম টি জি ইন্দোর কোর্দ হোলদা ইন্দিয়া টিমগী কোচিং কেম্প পাঙথোক্কদৌরি। মদুদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াগনি। এসিয়া ওসিনিয়া জোন চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগীদমক ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না অঙন্বা মতেং পাংবিয়ু হায়না এম দি য়ুনুস খানা মখা তানা মীয়ামদা অপিল তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা লৈবা অটল বিহারি বাজপাইয়ি ত্রেনিং সেন্টর ফোর দিসএবিলিটিজ স্পোর্টস সেন্টরদা হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৯ লক শুবা নেশনল হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরগী নুপী টিমনা রন্নর্স অপ তাদুনা সিলভর মেদল লৌরকপগা লোয়ননা ইরমদম অসিগীসু লেমজনিংঙাই ওইরবা মীংচৎ পুরকখিবনি।

# এ আই টি এ মেন্স ওপন ৱান লাখ নেশনল রেঙ্কিং টেনিস টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):** মণিপুর টেনিস এসোসিএশন (এম এ টি এ)না শীন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর্স ক্লব টেনিস কোর্টতা চথরিবা এ আই টি এ মেন্স ওপন ৱান লাখ নেশনল রেঙ্কিং টেনিস টুর্নামেন্ট ইম্ফাল ২০২৫ লোইশিনখ্রে।

ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএশন (এ আই টি এ)গী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১৫দগী হৌরগা চথরকখিবা নেশনল রেঙ্কিং টেনিস টুর্নামেন্টকী ওইনা মেন্স সিঙ্গলসকীদা মহারাষ্ট্রগী অদিত্য বালসেখরনা ৱিন্নরগী টাইটল লৌখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিংগী ১২৪ শুবা মফমদা লৈরিবা মহারাষ্ট্রগী অদিত্য বালসেখরনা ষ্টেট অদুমক্তদগী নেশনল রেঙ্কিংদা ৬২ শুবা মফম কন্দুনা লৈরিবা অনুরাগ রেদিবু মায়থীবা পীরল্লগা মেন্স সিঙ্গলকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। ঙসি মখোয় অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা অদিত্য বালসেখরনা অনুরাগ রেদিবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৪, ৬-৪দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, মেন্স ওপন দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতনা মহারাষ্ট্রগী অদিত্য বালসেখর অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলকী ৱায়ট রোৱেন ওব্রাইন অনীগী পুংবানা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ময়ান টৈৱারি অমদি সৌরিয়া সিদাথকী পুংবাবু সেট ৬-৩, ৭-৬ অদুগা তাই ব্রেকতা ৭-৩দা মায়থীবা পীরগা মেন্স দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদুদা রিমসকী থবক্তগী পোত্থারবা এনেসথেসিয়াগী হান্নগী ঐচ ও দি ডা. পি নিসিকান্ত, এম এ টি এগী প্রসিদেন্ট ঐচ ইবোতোম্বী অমদি এস বি আইগী এক্স জেনরেল মেনেজর লাইশ্রম বিহারিনা অথোয়বা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়ারদুনা মকোক মথং তাখ্রবা টেনিস শান্নরোয়শিংদা কেস এৱার্দ, সার্টিফিকেট অমদি ত্রোফিশিং খুৎশীন্নদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

অমরোমদা, য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনা এ আই টি এ নেশনল রেঙ্কিং টেনিস চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ১১ খক্তমক ঙাইরিবা টেনিস শান্নরোয় গুরুময়ুম শুদরসনননা ঙরাং মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা এম এ টি এগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

# য়ু এফ সী বিষ্ণুপুরনা বি এফ এ নাচৌ অদুগা দব্লিয়ু ৱাই সীনা ইশোক এফ সী মায়থীবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দগী হৌরগা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মীনি ষ্টেদিয়মদা চথরক্লিবা অহানবা য়ুম্নাম মনাও (সিনাবা) মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুরনা বি এফ এ নাচৌ অদুগা দব্লিয়ু ৱাই সী য়ুম্নাম খুনৌনা ইশোক এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৯না গ্রুপ অনীদা শরুক য়ারগা চথরিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী ৬ শুবা লিগ শান্নখিবদা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুরনা বি এফ এ নাচৌবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৭-১দা থোইখিবনি। অদুগা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৭ শুবা লিগ মেটচ ওইনা দব্লিয়ু ৱাই সি য়ুম্নাম খুনৌ অমসুং ইশোক এফ সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা দব্লিয়ু ৱাই সীনা পাঞ্জল ৬-০দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

# এম য়ু ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্টকী মফম অমদি মতম লেপখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টসনা শীল্লগা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদবা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী মফম অমদি মতম লেপখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট অসিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস (এ দি এস) ডা. সী ঐচ প্রদিপনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পুন্না স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১৯গীদমক মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কোলেজ ১৯দা থা অসিগী ২২দগী হৌরগা তাঙ্কক নাইনা কুমজা ২০২৬কী মার্চ থা ফাওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্ট ২০২৫ লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, কুমজা ২০২৫-২৬কী ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টুর্নামেন্টকী মণিপুর টিম শেম্নবগীদমক ফেন্সিং, বোক্সিং, টেনিস, হোক্কি, এথলেটিক্স, বোল বেদমিন্টন, সাইক্লিং, টাইক্বান্দো, সেপাকতাক্রো অমদি ৱুশু মশান্নশিংগী ওইবা ত্রায়ল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টসনা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না অকুপ্পা মরোল খঙনিংবশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা লাক্লগা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# মৈরাবা লুৱাং রন্নর্স অপ তাহৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):** য়োনেক্স সন রাইজ ডা. অখিলেস দাস গুপ্ত মেমোরিএল ওল ইন্দিয়া সিনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৫গী মেন্স সিঙ্গলগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাং মাইনর এক্সিদেন্টনা মরম ওইরগা মপুং ফানা শান্নবা ঙমখিদবদগী রন্নর্স অপ তাহৌরে।



লক্ষ্ণৌদা থা অসিগী ১২দগী হৌরগা বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা উত্তর প্রদেশ বেদমিন্টন এসোসিএশননা শীন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি মৈরাবা লুৱাং অমসুং হরয়ানাগী ভারত রাঘপকা ফাইনেল মেটচ শান্নগনি হায়না তৌরমখিবা অদু মৈরাবা লুৱাং শোকপদগী শান্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা রাঘপনা ৱার্কওভর ফংদুনা মেন্স সিঙ্গলকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা পুন্না শান্নরোয় ১৩৯৬না শরুক য়াখি। অদুগা মেন্স সিঙ্গলসকী ওইনা পুন্না শান্নরোয় ৭৮৬না অথোয়-অহেন চাংদম্নখি। মৈরাবনা টুর্নামেন্ট অসিদা মিজোরাম, উত্তর প্রদেশ অমদি দেল্লিনচিংবা ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা শান্নোয়শিং মথং-মথং মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

# মণিপুরগী অরিবম কিরনকুমারনা মায় পাক্তুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):** য়ু এস এগী ৱাশিংটন ষ্টেটতা লৈবা স্নোক্বাইমদা ঙরাং পাঙথোকখিবা টনেল মরাথোন ২০২৫দা মণিপুরগী মীতৈ/মৈতৈ মচা অরিবম কিরনকুমার এলিয়স পপাকনা ওফিসল টাইম ২:৫৮:৩২দা পন্থুংফম য়ৌদুনা এজ দিভিজনদা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

মরাথোন অসিদা কিরনকুমারনা জেন্দর প্লেসকী ওইনা ১৪ অমদি ওভরওল প্লেসকী ওইনা ১৭ শুবা মফম কনবা ঙমদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি। ৱাশিংটন ষ্টেটকী টনেল মরাথোনদা এজ দিভিজনগী ওইনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রবা মণিপুরগী অরিবম কিরনকুমারনা লমজেল অদুদা সেভ মণিপুর ব্রিং পীছ হায়না থাবা য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা হৌজিক লমদমসিদা থোক্লিবা চহী ২গা থা ৫ শুরক্লবা ৱাথোক অসি মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখি। মায় পাকখ্রবা কিরনকুমার কুমজা ২০২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা বোষ্টোন মরাথোনগী ওইনসু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

# সটৱিক-চিরাগকী পুংবা চাইনা মাষ্টর্সকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




**ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী):** চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক হৌজিক সেনঝেংদা চথরিবা চাইনা মাষ্টর্স ২০২৫গী মেন্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী সটৱিকসাইরাজ রনকিরেদি অমসুং চিরাগ সেটিগী পুংবা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মেন্স দবলসকী ওইনা ঙসি ইন্দিয়াগী সটৱিক-চিরাগকী পুংবা অমদি য়ুম্বু চাইনাগী রেন জিয়াং য়ু অমসুং জি হাওনানগী পুংবগা লম্বা তৌনখি। সেনঝেং এরেনাদা ঙসি পুংবা অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী পুংবা অসিনা হৌগৎলকপদগী মেটচ অদুবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অতেনবা মতম মিনট ৩৭ খক্তদা য়ুম্বু চাইনাগী পুংবাবু ষ্ট্রেট সেট ২১-১৪, ২১-১৪দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী পুংবা অসিনা চহী অসিগী ওইনা হৌজিকফাওবদা সেমি ফাইনেল ৭ লক চঙবা ঙমখ্রে। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী পুংবা অসিনা চহী অসিগী অহানবা ফাইনেল মেটচ ওইনা হোংকোং ওপনদা চাইনাগা লম্বা তৌনখি। মদুদা ওলিম্পিক সিলভর মেদলিষ্টসু ওইরিবা চাইনাগী লিয়াং ৱৈ কেং অমসুং ৱাং চাংগী পুংবানা ইন্দিয়াগী পুংবা অসিবু য়াম্না ৱানা ২১-১৯, ১৪-২১, ১৭-২১দা মায়থীবা পীরমখিবনি। হোংকোং টুর্নামেন্টকী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী পুংবা অসিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1597**

**Avital Boruchovsky (2757) - Evgenios Ioannidis (2511)**
**Freestyle Friday Chess.com (7), 2025.06.13**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.g4 c6 | 2.f4 f5 | 3.gxf5 g6 | 4.Bxa7 Bxb2 | 5.Nc3 Bxc1 |
| 6.Kxc1 Rxf5 | 7.Nb3 Bxb3 | 8.cxb3 Ra5 | 9.Qf2 Ra6 | 10.Bd4 Qf8 |
| 11.Be4 d5 | 12.Bd3 c5 | 13.Bxc5 Rac6 | 14.Bd4 Nc7 | 15.f5 Nd7 |
| 16.Kb2 gxf5 | 17.Bxf5 e5 | 18.Be3 h6 | 19.Qg2 Rf6 | 20.Qh3 d4 |
| 21.Ne4 Nb5 | 22.Nxf6 Qa3+ | 23.Kb1 Rc3 | 24.Bc2 Nc5 | 25.Nd5... |

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1596 Solution :**

**25. ...Nh1+** The black knight clears the way for Black's queen to the square g2. **26.Rxh1 Qg2+ 27.Ke3 Bg5+ 28.f4 Bxf4+** The black bishop decoys White's king. The black bishop deflects White's king away from protecting the square f2. Opening the line from f2 to d4. **29.Kxf4 Qf2+ 30.Bf3 e5+ 31.Kxe5 Rh5+** Intermediate check **32.Kf4 g5+** The black pawn attacks White's king, which is defending the square g4. **33.Ke5 g4+** With a discovered check by the black rook. The black rook attacks White's king, which is defending the square d6 and the square d4. **34.Kf6 Qh4+** *The black queen attacks White's king, which is defending the square g5.*

*34...Rd6+The black rook attacks White's king, which is defending the square g5. 35.Kg7 Rg6#*

**35. Kg7 Qg5#**

**0-1**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com